# ঙসিদগী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি

# এম পি এস সি (সি), চিঙ্খৈহুনবা (এ),টেকচম ক্বার্টর চঙখ্রে

POLO

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ ২৯ শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি। অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সি (এ)গা মৈরাবা পোলো ক্লব (এ)গা অমদি অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (এ)গা খুরাই পোলো ক্লব (এ)গা শান্নগনি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা এম পি এস সি (সি), চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) অমদি টেকচম পোলো ক্লব (এ) মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি (সি)না ই এস সি (এ)বু পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থীবা পীখি। এম পি এস সিনা অহানবা, অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রদা মথংশিংনা পাঞ্জল ৩, ৪ অমদি ৩ চনখি। ই এস সিগী পাঞ্জল অনী অদু মরিশুবা চক্রদা চনখিবনি। অহানবা চক্রগী এম পি এস সিগী পাঞ্জল অহুম অদু এস অবুংচানা ২ অমদি এম বেবেকানন্দনা অমা চনখিবনি। অনীশুবা চক্রগী পাঞ্জল ৪ অদুনা এস অবুংচানা ২, এম বেবেকান্দা অমদি টি ঐচ রঞ্জিৎনা অমমম চনখিবনি। মরিশুবা চক্রগী পাঞ্জল ৩ অদুনা এন বেবেকানন্দা, কে ঐচ নোংপোকঙানবা অমদি এস অবুংচানা অমমম চনখিবনি। ই এস সি(এ) গী পাঞ্জল অনী অদু এ কেমেরুন অমদি টি ঐচ মোচানা চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (এ)না নোংচুপ পানা শগোল কাংজে লুপ (এ)বু পাঞ্জল ১৬-২ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। চিঙ্খৈহুনবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা চক্রদা ৫ / ৫, অমদি অরোইবা মরিশুবা চক্রদা অমা চনখিবনি। নোংচুপ পানাগী পাঞ্জল অনী অদুনা অনীশুবা চক্রদা চনখিবনি।

চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবকী অহানবা চক্রগী পাঞ্জল ৫ অদু এল অতাংবনা ৪ অমদি ৱাই রোমেননা ১ চনখিবনি। অনীশুবা চক্রগী পাঞ্জলশিং ৫ অদুনা এল অতাংবনা ৩, ৱাই রোমেন অমদি ৱাই সুরজনা অমমম চনখিবনি। অহুমশুবা চক্রগী পাঞ্জল ৫ অদুনা এল লোকেশ্বর অমদি ৱাই রোমেননা ২ /২ অমসুং এল অতাংবনা অমা চনখিবনি। অরোইবা চক্রগী পাঞ্জল অদুনা ঐচ সঞ্জিৎনা চনখিবনি। নোংচুপ পানাগী পাঞ্জল অনী অদু টি ঐচ রিসিকান্ত অমদি কে ঐচ সুর্জিৎনা চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা টেকচম পোলো ক্লব (এ)না কৃপসাবু পাঞ্জল ১০-৩ দা মায়থীবা পীখি। টেকচমগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা ৬, অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রদা অমমম অমদি অহুমশুবা চক্রদা ২ চনখিবনি। কৃপসাগী পাঞ্জলশিং অদুনা ৪ শুবা চক্রদা অনী অমদি অনীশুবা চক্রদা ১ চনখিবনি।

টেকচমগী অহানবা চক্রগী পাঞ্জলশিং অদু এন দোরেননা ৪, ও রোজর অমদি এম মনিহারনা অমমমম, অহুমশুবা চক্রগী পাঞ্জল অনী অদুনা কে ঐচ কাওবা অমদি এম দোরেননা চনখিবনি। অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা এম দোরেন অমসুং ও রোজরনা চনখিবনি। কৃপসাগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্রদা এস রোবার্টনা অমা, মরিশুবা চক্রদা রোবার্ট অমদি সলাম মোমোচানা অমমম চনখিবনি।



টেকচম পোলো ক্লব অমদি কৃপসানা শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী মতাং অমা।

# দি এস য়ুনা য়ু সি সিবু মায়থীবা পীখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ লাংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৩-১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দি এস য়ুনা য়ু সি সিবু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু সি সিনা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৪.২ দা ওল আউট ওইরগা রন ৮৮ লৌখি। ইনিংস অদুদা ভোরোটনা বোল ৫৮ দা রন ৪২ অমদি মেক মোহননা বোল ৪৫ দা রন ২০ লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লর রিটিকুমার অমদি ব্রোজেননা ৱিকেট ৩ / ৩, সচিকুমার অমদি বিশ্বর্জিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

দি এস য়ুনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৩.১ দা ৱিকেট ১ তুরগা রন ৯২ লৌরগা মেটচ অদু ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখিবনি। ইনিংস অদুদা সুনিল অমদি বিশ্বর্জিৎনা নোট আউট ওইরগা মথংশিংনা বোল ৪৭ তা রন ৫৯ অমসুং বোল ৩০ দা রন ১৭ লৌখি। য়ু সি সিগী বোল্লর সুর্জিৎনা ৱিকেট অমা লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা দি এস য়ুগী সুনিলনা তাখি।

হয়েং রি য়ঙ ষ্টারগা চেম্প খাগেমপল্লিগা শান্নগনি।



য়ু সি সি অমদি দি এস য়ুনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা।

# দেবলা ক্রিকেটতা বি এস, কে দব্লিউ মায় পাকখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবালা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা বি এস থৌবাল অমদি কে দব্লিউ কোংপাল মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা বি এস থৌবালনা বাসু রেষ্ট খাঙবোকপু রন ৬৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। বি এস না অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২০ লৌখি। অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা বাসু রেষ্ট খাঙবোক্না ওভর ১৪.৪ দা ওল অউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৫৬ খক লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা বি এসকী অজয়না তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা কে দব্লিউ কোংপালনা কে এস য়ু খাঙবোকপু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখি। কে এস য়ুনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৬১ লৌখি। কে দব্লিউ কে এস য়ুনা থল্লমখিবা টার্গেট রন ৬২ অদু ওভর ১৪.১ দা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫ দা মায় পাকখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা টিম অসিগী রোসননা তাখি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা গ্রুপ (কে)গী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা য়ায়া পললেগা এস সি সি খাঙবোক্না শান্নগনি। প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা থা অসিগী ২৭ তগী শান্নবা হৌরগনি।

# টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ১০ শুবা হয়েল ট্রোফি ফুটবোল হৌরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ হয়েল য়ঙ পোপুলর ক্লবনা শিন্দুনা হয়েংদগী ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুং হয়েল উচিৱাদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল নাইন এ-সাইদ মেন্স ওপন হৈয়েল ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এ করাম শ্যাম, উচিৱা জিলা পরিষদকী মেম্বর ওইনাম ওংবী বারুনি দেবী, উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান টি ঐচ ওংবী প্রেমিলা দেবী অমদি হয়েল হাংগুন গ্রাপ পঞ্চায়েটকী প্রধান সিকরন্দর অলিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম ৮ অদুদি গ্রুপ (এ)দা ই এফ সি (এ) ককৱা, য়ু এফ সি উচিৱা, ঈশ্বর উচিৱা লৈরক অচৌবা, টুগপু চার্জর নম্বোল, গ্রুপ (বি)দা ঐচ ৱাই পি সি হৈয়েল, ই এফ সি (বি) কৱা, সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফাল অমদি এস এম এস টিম পাৎশোয়নি।

হয়েং হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ (এ)গী ওইনা ই এফ সি (এ) ককৱাগা য়ু এফ সি উচিৱাগা শান্নগনি।

# লুঙ্গ্রেজাংনা গ্রীন হোরনেট মায়থীবা পীখ্রে



FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা ১০ শুবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী মেটচতা লুঙ্গ্রেজাং য়ুঠ ক্লব জিরিবাম্না গ্রীন হোরনেট সিলচর কাশারবু গোল ৭-০ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

লুঙ্গ্রেজাং য়ুঠ ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কাজেকেকনা ১২, ৪৫,৫৫ অমদি ৬৫ শুবা মিনিটতা গোল ৪, লৈরিনগৈনা ৫৭ অমসুং ৭০ শুবা মিনিটতা ২ অমদি বিজোয়না ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। গ্রীন হোরনেটকী অমজাদ অমদি সহিল লাস্করদা রেফরিনা মথংশিংনা ৪৯ অমসুং ৬১ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

অজিজ হায়দর, পি রাজেস সিংহ, এল অনিল সিংহ অমদি এ ইবোতোননা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

হয়েং লক্ষিপুর দি এস এগা মার স্পোটিং এসোসিয়েসননা শান্নগনি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী একজ্যুকেটিব কাউন্সিল মেম্বর ওইরম্বা এল মিনোকুমার (লোকেন) সিংহনা হৌখিবা থা অসিগী ২১ দা মহাক্কী ময়ুম খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈখিদবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মিনোকুমারনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ফুটবোল মশান্নবু চাওখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিববু নৌহৌননা নীংশিংদুনা মিনিৎ ২ তুমিন্না লেপ্তুনা এসোসিয়েসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোয় রোয়না প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সেলেক্টর ৩ হাপখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ ঃ থিরুবনাথাপুরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ অন্দর ১৪ গার্লস ট্রায়েল সেলেক্সনদা শরুক য়ান্নবগী মণিপুরগী শান্নরোইশিং থান্নবগী সেলেক্সন হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। সেলেক্সন অসিগীদমক মণিপুরগী কোচ ৩ সেলেক্টর ওইনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা হাপখ্রে। সেলেক্টরশিং অদুদি এস অমুতোম্বী সিংহ, এম সুরমালা চনু অমদি এম চাওবী দেবীনি। সেলেক্টরশিংনা হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নিভসোগী ফুটবোল টিম ওক্কদৌরি

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৩ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৩গী ৱিন্নর ওইখ্রবা নোর্দন ইরিল ভেল্লি স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন (নিভসো) কৈবীগী টিম ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা কে এম এস এ কমপ্লেক্স কৈবী অৱাং লৈকাইদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর সিংহ অমদি নিপসোগী প্রসিদেন্ট এম সরত সিংহনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*